## সিদনিদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা মখা তানা চৈথেং পীরি

সিদনি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী মরু ওইবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিদনিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা চৈথেং পীরকপদগী লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক লৈঙাক্না অকনবা মখলগী লোকদাউন থমজিনবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি।

সিদনিদা মখা তানা দেলটা ভেরিয়েন্টনা নাহনবা মী মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকখিবা অদুগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবদা সিদনিগী মীয়াম্না চেকশিনবা ৱাৎপদগী ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরকখিবনি। লৈঙাক্না লোকদাউন থমজিনখ্রবসু মদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না লম্বী সরক্তা থোক্তুনা থবক তৌখিবা অমদি মী য়াম্না তিনবা থৌরমশিং পাঙথোকপদগী লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমদবনি। মদুনা মরম ওইরগা সিদনিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তঙাইফদনা আর্মী দিপ্লোয় তৌদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

## টালিবানগী ফিরাল লৌথোক্লুবগী ৱাহৌদা উংখৎনরকপদগী মীওই ২ কাপ্তুনা হাৎখ্রে




কাবুল, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ১১৫ রোম চৎলগা লৈবা জলালবাদতা টালিবানশিংনা পাইহল্লন্বা মখোয়গী অমুবা অমসুং অঙৌবা মচুগী ফিরাল অদুবু মীয়াম্না লৌথোক্তুনা লৈবাক অদুদা লৈরম্বা অফঘান গভর্ণমেন্টকী অমুবা, অঙাংবা অমসুং অশংবা মচুগী ফিরাল ঙসি অয়ুক পাইহল্লুবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা মীয়াম অমদি টালিবানশিংগী মরক্তা উংখৎনরকপদগী টালিবান ফাইটরশিংনা নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২ শিখ্রে।

জলালবাদ অসি অফঘানিষ্টান লৈবাক্কী ওইনা লৈবাক অদুগী নীং তম্বা নুমিৎকী হরাও কুম্মৈ পাঙথোকফম মফম অমা ওইনা মতম শাংনা লৈরক্লি। মফমদুদা লৈরম্বা মীয়াম্না টালিবানগী ফিরাল অদু লৌথোক্লগা হান্না লৈরম্বা গভর্ণমেন্টকী ফিরাল অমুক হন্না পাইহনখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটরশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংগী মথক্তা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চখৎরিবা অদুগী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাউ কয়া লাউখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী ওইবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি।

অফঘানিষ্টানদা টালিবান লালহৌবশিংনা মপুং ফানা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাইহন্দুনা থল্লম্বা অফঘানগী নেসনল ফ্লেগ লৌথোক্তুনা টালিবানগী ওইবা ফিরালশিং পাইহল্লি। লৈবাক অদুগী মীয়াম্নদি নেসনল ফ্লেগ লৌথোক্তুনা টালিবানগী ফিরাল পাইহনবগী থৌদোক অদুবু পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লি।

জলালবাদতা লৈবা মমিং লৈরবা সিয়া মুস্লিম মিলিসিয়া লুচিংবা অমগী অশাবা শক্তমসু টালিবানশিংনা থুগাইখ্রে। কুমজা ১৯৯০ গী মতমদা থোকখিবা অফঘান সিভিল ৱারদা টালিবানগী মায়োক্তা থৌনা ফনা মায়োক য়ারম্বা সিয়া মুস্লিম মিলিসিয়াগী লুচিংবা অমগী শক্তম শাদুনা সেন্ত্রেল বামিয়ান প্রোভিন্সতা থল্লকখিবনি। অদুগুম্লবা মীয়ামগী লুচিংবা অমগী অশাবা শক্তম থুগাইখিবগী থৌওং অদুবু মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। কুমজা ১৯৯৫ দা টালিবান লালহৌবশিংনা অব্দুল অল্লি মজাদি হাৎখিবনি। মদুগী মতুং মহাকপু নীংশিংবা ওইনা মফম অদুদা মহাক্কী অশাবা শক্তম থল্লকখিবনি।

## নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরিদা চখৎরকখিবা এটেকতা মীওই ৭ শিখ্রে

অবুজা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অমদা খুৎলাই পায়বশিংনা চখৎরকখিবা এটেক অমদা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



এটেক অদু কনানা চখৎখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অমদি গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। নাইজেরিয়াগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌরগা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ফেসিলিটিশিংদা এটেক চখৎবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি।

পুলিসনদি থৌদোক অদু ইনি দজিনিয়স পিপলস ওফ বিয়াফ্রানা চখৎখিবনি হায়না ক্লেম তৌরি। অদুমওইনমক পুলিসনা ক্লেম তৌরক্লিবা ৱাফম অদু গ্রুপ অসিনদি য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মখোয়গী থৌইনশিন অমত্তা য়াওবা লৈতে হায়রি।

আইমো ষ্টেট পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় মাইকেল অবাতননা ফোঙদোকখিবদা নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অদু তম্না লাকখিবা ৱার্করশিং পুবা কনভোয় অদুদা খুৎলাই পায়বশিংনা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক অদু চখৎরকখিবনি। থৌদোক অদুদা পুলিস পর্সনেল অমা অমদি ওইল ৱার্কর ৬ শিখি। করি মরমগীদমক খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা এটেক অদু চখৎরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখৎবা হৌখ্রে।

নোংমৈ মরু শাফম ফেক্টরি অসিগী মকোক থোংবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ফেক্টরি অদু হৌজিক থিংজিন্দুনা থল্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা খঙহনখ্রে। পুলিসকী মায়কৈদগীসু নোংমৈ পায়বা মীওইশিং অদু অথুবা মতমদা ফাগনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। অদুমওইনমক ৱার্করশিং পুদুনা চৎখিবা কনভোয় অদুদা এটেক চখৎরকখিবা অদু লাইবক থিবনি।

## হাইটিদা মেগনিচুদ ৭.২ য়ৌনা হাখিবা য়ুহাদা শিখিবা মশীং ১,৯৪১ শুখ্রে

লেস কায়েস, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হাইটিদা মেগনিচুদ ৭.২ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা শিহনখিবা মী মশীং ১,৯৪১ শুখ্রে হায়না কেরিবিয়ন নেসনগী সিভিল প্রোটেক্সন এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অশিবগী মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

অকনবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবতা নত্তনা মীওই ১০,০০০ রোম অশোক অপন নংহনখি। য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা য়ুম ৬০,০০০ মপুং ফানা মাঙহন তাকহনখ্রে অমদি ৭৬,০০০ রোম্না অমাঙ অতা থোকহনখি। য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা অঙাং মিল্লিয়ন তঙ্খাই অমরোমদসু চাওনা চৈথেং পীরি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকাই অতোই থোকখ্রবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চখৎরি।

অমরোমদা হাইটি ওফিসলশিংনা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা অমাঙ অতা খরা থোকহনখ্রবা অমদি ক্রেক চৎলবা বিল্ডিংশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্নবা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ বিল্ডিংশিং অদু অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিন্নবা খঙহল্লক্লি। য়ুহা হাবগী থৌদোক্তা অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীরি অমদি ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রবা মীওইশিংনা লৈনবা খুদক্কী ওইবা মফম শেমদুনা লৈহল্লি। মতম খরগী ওইনা মী লৈনবা শেমখিবা সেন্তর অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী হকচাংগী ফীভমসু মরী লৈনবশিংনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি।

য়ুহা হাখিবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা য়ু এস নেসনল হেরিকেন সেন্তরনা লৈবাক অদুদা অকনবা নোং চুরবা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোরকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম অমুক্কা হেন্না মীপায়নবা পোকহল্লে হায়না ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কাবুল এয়রপোর্টতা ওইরিবা ফীভম কিনিংঙাইনি

ফ্রেঙ্কফর্ট, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

নেটো আর্মীশিংনা কাবুল এয়রপোর্টতগী অফঘানশিং পুথোকপগী থবক কন্না চখৎরি। ঙসি নেটোনা হোৎনদুনা জর্মনিদা থুংলখিবা অফঘানশিংনা ফোঙদোকখিবদা কাবুল এয়রপোর্টতা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি কিনিংঙাইনি।

জর্মনদা থুংলখিবা প্লেন অদুদা তোংলকখিবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা টালিবান লালহৌবশিংনা লৈবাক অদু মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং মীয়াম কয়া লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হোৎনরি। মহাক অমদি মহাক্কী পীক্লিবা মচানুপাগা লোয়ননা কাবুল এয়রপোর্ট য়ৌরক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি অদুবু এয়রপোর্ট অদু য়ৌরক্লবা মতুং চঙনবা হোৎনবদা য়াখিদে। তুংদা অমেরিকান অমনা মখোয়গী পাসপোর্ট চেক তৌরবা মতুং প্লেন তোংবদা অয়াবা পীখি। অদুমওইনমক মীওই কয়া অমদি প্লেন তোংবা ফংহৌদবগী অৱাবশিং মায়োক্লহৌরি। এয়রপোর্ট অদুদা লাক্তুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু তশেংনমক কিনিংঙাই ওই হায়না মমিত্তগী মপী তারদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ম্যান্মারদা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,০০০ রোম হাৎখ্রে : এক্টিভিষ্ট

নেপিদো, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১,০০০ রোম কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না এসিষ্টেন্টস এসোসিয়েসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজিনর্স (এ এ পি পি) কৌবা এক্টিভিষ্ট গ্রুপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মারদা এ এ পি পিনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং হাৎখিবা মীশিং রেকোর্দ তৌবগী থবক চখৎরি। এসোসিয়েসন অসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,০০১ সিক্যুরিটি ফোর্সনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরি টাটে নাইংনা ফোঙদোরকখ্রে। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মখোয়না রেকোর্দ তৌরিবা মশীং অসিদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখিবা মশীংনা হেলম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা ম্যান্মার মিলিটরিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক ইন্তরনেসনল ওর্গনাইজেসনশিংদা এ এ পি পিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লোয়ননা মীয়ামগা উংখৎনবগী থৌদোকশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্স কয়া শিখি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 209,343,292 | +649,066 | 4,393,509 | +9,937 | 187,628,100 | 17,321,683 |
| 1 | USA | 37,896,582 | +137,307 | 640,093 | +873 | 30,289,989 | 6,966,500 |
| 2 | India | 32,285,101 | +35,201 | 432,552 | +440 | 31,478,405 | 374,144 |
| 3 | Brazil | 20,417,204 | +38,218 | 570,718 | +1,137 | 19,313,546 | 532,940 |
| 4 | Russia | 6,642,559 | +20,958 | 172,110 | +805 | 5,918,324 | 552,125 |
| 5 | France | 6,504,978 | +28,114 | 112,864 | +111 | 5,941,296 | 450,818 |
| 6 | UK | 6,322,241 | +26,852 | 131,149 | +170 | 4,888,855 | 1,302,237 |
| 7 | Turkey | 6,118,508 | +21,692 | 53,507 | +183 | 5,636,282 | 428,719 |
| 8 | Argentina | 5,096,443 | +8,172 | 109,405 | +300 | 4,767,041 | 219,997 |
| 9 | Colombia | 4,874,169 | +3,247 | 123,688 | +108 | 4,698,770 | 51,711 |
| 10 | Spain | 4,733,602 | +14,336 | 82,739 | +144 | 4,017,627 | 633,236 |
| 11 | Iran | 4,517,243 | +50,228 | 99,108 | +625 | 3,786,488 | 631,647 |
| 12 | Italy | 4,449,606 | +5,273 | 128,510 | +54 | 4,191,980 | 129,116 |
| 13 | Indonesia | 3,892,479 | +20,741 | 120,013 | +1,180 | 3,414,109 | 358,357 |
| 14 | Germany | 3,837,188 | +5,382 | 92,403 | +19 | 3,684,700 | 60,085 |
| 15 | Mexico | 3,108,438 | +7,172 | 248,652 | +272 | 2,454,114 | 405,672 |
| 16 | Poland | 2,885,675 | +220 | 75,306 | +7 | 2,655,543 | 154,826 |
| 17 | South Africa | 2,624,254 | +10,685 | 77,993 | +553 | 2,393,133 | 153,128 |
| 18 | Ukraine | 2,267,219 | +890 | 53,296 | +27 | 2,197,508 | 16,415 |
| 19 | Peru | 2,134,365 | | 197,487 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,906,434 | +2,306 | 17,920 | +5 | 1,780,655 | 107,859 |
| 21 | Iraq | 1,793,372 | +8,778 | 19,815 | +75 | 1,615,773 | 157,784 |
| 22 | Philippines | 1,765,410 | +9,770 | 30,462 | +96 | 1,629,093 | 105,855 |
| 23 | Czechia | 1,676,523 | +212 | 30,378 | +2 | 1,643,926 | 2,219 |
| 24 | Chile | 1,630,330 | +398 | 36,438 | +18 | 1,586,798 | 7,094 |
| 25 | Canada | 1,457,698 | +1,727 | 26,719 | +15 | 1,411,268 | 19,711 |
| 26 | Malaysia | 1,444,270 | +19,631 | 13,077 | +293 | 1,179,046 | 252,147 |
| 27 | Bangladesh | 1,433,396 | +7,535 | 24,547 | +198 | 1,314,916 | 93,933 |
| 28 | Japan | 1,159,222 | +14,131 | 15,431 | +23 | 982,640 | 161,151 |
| 29 | Belgium | 1,154,879 | +1,420 | 25,299 | +3 | 1,078,126 | 51,454 |
| 30 | Sweden | 1,112,958 | | 14,622 | | 1,080,022 | 18,314 |
| 31 | Pakistan | 1,105,300 | +3,221 | 24,573 | +95 | 993,304 | 87,423 |
| 32 | Romania | 1,088,053 | +544 | 34,359 | +6 | 1,050,342 | 3,352 |
| 33 | Portugal | 1,006,588 | +2,118 | 17,584 | +11 | 945,259 | 43,745 |
| 34 | Israel | 957,547 | +8,012 | 6,704 | +17 | 891,723 | 59,120 |
| 35 | Thailand | 948,442 | +20,128 | 7,973 | +239 | 730,437 | 210,032 |
| 36 | Hungary | 810,549 | +45 | 30,042 | +1 | 768,519 | 11,988 |
| 37 | Jordan | 785,697 | +1,066 | 10,239 | +17 | 763,418 | 12,040 |
| 38 | Morocco | 772,394 | +9,041 | 11,242 | +123 | 681,705 | 79,447 |
| 39 | Switzerland | 744,106 | +3,150 | 10,929 | +2 | 697,064 | 36,113 |
| 40 | Nepal | 737,294 | +2,456 | 10,354 | +27 | 687,069 | 39,871 |
| 41 | Serbia | 734,816 | +1,484 | 7,177 | +3 | 714,093 | 13,546 |
| 42 | UAE | 704,000 | +1,115 | 2,006 | +3 | 682,809 | 19,185 |
| 43 | Kazakhstan | 701,345 | +6,869 | 7,751 | +99 | 577,882 | 115,712 |
| 44 | Austria | 670,372 | +866 | 10,757 | | 650,408 | 9,207 |
| 45 | Tunisia | 626,750 | +1,062 | 22,025 | +120 | 573,975 | 30,750 |
| 46 | Lebanon | 584,896 | +1,178 | 7,988 | +6 | 542,954 | 33,954 |
| 47 | Greece | 543,749 | +4,206 | 13,220 | +16 | 493,468 | 37,061 |
| 48 | Saudi Arabia | 539,698 | +569 | 8,431 | +12 | 524,765 | 6,502 |
| 49 | Cuba | 536,609 | +9,772 | 4,156 | +68 | 488,238 | 44,215 |
| 50 | Ecuador | 493,767 | | 31,870 | | 443,880 | 18,017 |

## COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**[illegible] / NOTIFICATION**

Imphal, the 18th August, 2021

**No.3(I)/15/2008-HSC(Vol-V):** It is, hereby, notified for information that students who have passed the HSLC/Class-XI or equivalent examination from recognized Boards/Councils/Universities other than Board of Secondary Education, Manipur should apply for obtaining the Eligibility Permission from the Council prior to admission in Class-XI & XII in the institutions under the Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

The prescribed application form can be obtained from the office of the undersigned on payment of the following fees from 10:00 a.m. to 2:00 p.m. on all working days with effect from 19-08-2021 to 28-09-2021:

(i) Application Form fee - Rs.100/-
(ii) Eligibility Certificate fee - Rs.1,500/-
(iii) Verification fee - Rs.1000

The last date of submission of duly filled in application form along with the necessary documents at the office of the undersigned is 29-09-2021.

Submission of the enrolment of the students in such cases without the Eligibility Certificate shall be summarily be rejected.

N.B.: *The prescribed application form can be downloaded from the website:* **http://cohsem.nic.in**.

**Sd/- CH. BIREN SINGH**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-B/7089/19

## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018-IMC-2 — Imphal, the 18th August, 2021

**[illegible] / খঙহঙ্গবা**

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঙ্গরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না হৌখিবা ইং 2020 গী July তাং ১৭, August ৩০, অমদি ইং 2021 June গী তাং ১৮ দা পাউজেঞ্জখিবা অদুগী মতুং মরিশুবা অমদি অরোইবা ওইনা পাউজেঞ্জরি মদুদি Pradhan Mantri Awas Yojana (PMAY) Housing for All Scheme গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা ইশা-ইশাগী মিং অদু MIS Web Portal দা মিং চনখ্রে নত্রগা চন্দ্রি হায়বদু **imc.mn.gov.in** দা চঙবীদুনা য়েংবীনবা খঙহঙ্গরি। MIS Web Portal দা হৌজিক ফাওবা মিং চনশিনবা য়াদ্রিবা Beneficiary শিংগী মিং অদু **imc.mn.gov.in** দা upload তৌরগা থমজরে। মরম অদুনা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা Website অসিদগী খঙদোকপীরগা দরকার লৈবা Document শিং হায়বদি **(Beneficiary** গী **Aadhaar, Family member** শিংগী **Aadhaar, Beneficiary** গী **Bank Passbook,** অমদি **Jamabandi/Patta)** অদু **Office** তা নত্রগা মখাদা পীজরিবা WhatsApp Number শিং

| Ward No. | What App No. | Ward No. | What App No. |
|---|---|---|---|
| 1, 10, 20 | 7640969703 | 3, 24 | 8256981803 |
| 21, 22, 23, 26 | 8731022655 | 9, 13, 14, 15, 16 | 7640958502 |
| 5, 6, 7, 17 | 7640958512 | 2, 8, 11 | 7629051574 |
| 18, 19, 25 | 8794355948 | 4, 12, 27 | 8787736454 |

অসিদা লাক্লিবা তারিক **25/08/2021** ফাওবগী মনুংদা শুকশোয় শোয়দনা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঙ্গরি। পীজরিবা মতম অসিগী মনুংদা পীশিনবীরক্তবশিং অদু ইশা-ইশানা scheme অসিগী খুদোংচাবা অদু লৌজররোই হায়বনি হায়না Imphal Municipal Corporation না লৌবতা নত্তনা মখা তাবা ৱাকৎসু লৌজররোই।

**N.B. Aadhaar শেমদোকলুরবা ওইরগদি খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা Aadhaar অদু ওইনা হাপ্পীরক্কদবনি।**

**খঙহঙ্গরিবা : K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7088/19 & 20

## টালিবানশিংনা মখোয়গী য়েক্লবশিংদা লম্মন খুম্বগী ৱাখল লৈতে



কাবুল, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানবু মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং লালহৌলূপ অসিগা মতম শাংনা য়েংথিনদুনা লাকখিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী মায়োক্তা থবক তৌখিবা অফঘানশিংগী মথক্তা লম্মন খুম্বগী ৱাখল লৈতে হায়না টালিবান ফাইটরগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা টালিবানগী কো ফাউন্দর মুলা অব্দুল ঘনি বরাদার অমুক হল্লক্লবনিনা করি তৌগদগে খন্নরগা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়রি।

অব্দুল ঘনি য়ু এসনা লুচিংবা টিম অমনা চহী ২০ লোম হেন্না অফঘানদগী তান্থোক্তুনা থল্লুরবা মীওই অমনি। হৌজিক লৈবাক অসিগী দুকান খরা থোঙ হাংবা হৌনরে। মখা তানা মীয়াম্না অকিবা লৈতনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা হিংনবা আপীল তৌরকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ষ্টাফশিংসু হান্নগুম্না ওফিস কাদুনা মথৌ তৌনবা খঙহল্লক্লি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা অফঘানিষ্টানদা লৈখিবা ইস্লামিষ্ট রুল অদুবু লৈবাক অদুগী মীওইশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক হন্দক নৌনা লাক্লিবা ইস্লামিষ্ট লৈঙাক অসিদি মীয়াম্না য়াবা অমা শুংশোই শোয়দনা ওইগনি হায়না টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোরক্লি।

## সুনামি ৱার্নিং পীখ্রে

সিদনি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী ভানুৱাতু কোষ্টতা মেগনিচুদ ৬.৮ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রবা মতুং মফম অদুদা সুনামি থোরকপা য়াই হায়না য়ু এস মোনিটর গ্রুপ অমনা ৱার্নিং তৌরকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহল্লক্লি।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী রিপোর্টমতুং ইন্না পোর্ট ভিলাদগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ৩৪০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্তর ওইখি অমদি কিলোমিটর ৯১ লুবা মফমদগী য়ুহা অদু হৌরকখিবনি। য়ুহা হাখিবা অদুগী ইপিসেন্তর ওইরিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ৩০০ গী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা সুনামি থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

HL-B/7062/13-20

# HHG Academy

[illegible]

Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)

Limited Seat

**ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22**

LAST DATE: 12 August 21

Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.

**FACILITIES:**
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.

For offline admission : School office with SOP — For online admission : www.hhgacademy.com

Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)